
## সিজমুন্দনা লক্সম্বার্গ ওপনদা লৈহৌরে, রাদু অলবোটনা ষ্টোকহোলমগী ২শুবা রাউন্দ চঙখ্রে





ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৮ : মঙাশুবা সীদ জর্মনিগী সিজমুন্দনা লক্সম্বার্গ ওপনগী অহানবা রাউন্দগী মেচতা ৱাইল্ড-কার্দ ইন্ট্রিফ্রান্সেস্কা স্কিয়াভোনগী মখুৎতা ৱান সাইদেদ ওইনা চথখিবা মেচতা ৬-২, ৬-২ দা মায়থীহৌরে।

অতোপ্পা মেচ অমদা তরেৎশুবা সীদ ইগেনি বৌচার্দনা দেনিসা অলাটোভাগী মখুৎতা ৩-৬, ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীখি। মেচ অদুদা বৌচার্দনা অহানবা সেট অদু নিংথিনা শান্নখিদুনা ৩-৬ তা মায় পাকখি। অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেটতা দেনিসা অলাটোভাগী মখুৎতা বৌচার্দনা মায়থীহৌখি।

মরিশুবা সীদ কারোলিন গার্সিয়ানা অনেট্ট কোন্টাভৈটনা ৭-৬ (৭/২), ২-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

ভারভারা লেপচেঙ্কোনা অহানবা সেট অদু মায় পাকখ্রবা মতুং অনীশুবা সেট অদুনা মায়থীখি অমদি অহুমশুবা সেট অদু নিংথিনা শান্নখিদুনা টসভেটানা পিরোঙ্কোভাবু ৬-১, ৩-৬, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অন্না কারোলিনা স্কিমিদলোভানা য়ানিনা ৱিকমায়রবু ৬-০, ১-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

মোনিকা নিকুলেস্কুনা ক্রিষ্টের্নফ্লিপকেন্সবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা ষ্টোকহোলমদা চথরিবা ষ্টোকহোলম ওপনগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা মোলদোভাগী রাদু অলবোটনা মঙাশুবা সীদেদ ষ্টেভ জোন্সনবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখ্রে।

অলবোটনা অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুদা অমেরিকাগী ষ্টেভ জোন্সনবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

নিপানশুবা সীদেদ মার্কোস বাঘদাটিসনা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন অন্দরসনগী মখুৎতা সেট অহুমদা ২-৬, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচতা ফ্রেঞ্চকী এদ্রিয়ন মান্নারিনোনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী দোনাল্ড য়ঙবু ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। অমেরিকাগী রায়না হরিসননা চেক রিপব্লিক্কী অদাম পাভলাসেকপু ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি।

এদ্রিয়ন মান্নারিনোনা মথংগী রাউন্দদা মরিশুবা সীদ অলেকজেন্দর জভেরেভকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

## সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলদা শরুক য়াররোই, মহাক্কী মহুৎ বৃটেনগী নম্বর ৱান জোহন্না কোন্টানা শিল্লগনি

সেন্ট পিটরসবার্গ, ওক্টোবর ১৮ :

ৱর্ল্ড নম্বর টু য়ু এস এগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মরেংবান্দা অশোকপা লৈবদগী থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা সিজন অসিগী অরোইবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলদা শরুক য়াররোই হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

গ্রান্দ স্লাম সিঙ্গলস টাইটল ২২ রক লৌবা ঙমখ্রবী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা চহী অসিদা টুর্নামেন্ট নিপানখক্তমক শান্নখি অমদি জর্মনগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা মঙোন্দগী মালেমগী মকোকথোংবা মফম মুনখি। মশাগী চহী ৩৫ শুরবী ৱিল্লিয়মসনা ৱুহান ওপন অমসুং চাইনা ওপন য়াওনা সিন্সিনাটিদা শরুক য়াখিদে।

সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ফোঙ-দোকখিবদা হৌজিক ঐহাক চয়োল কয়া পোথাবা মথৌ তারি হায়খি।



ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সতা শোকখিবদগী সেরেনানা য়ু এস ওপনদা শান্ননবা হল্লকখ্রবসু সেমী ফাইনেল মেচতা ১০শুবা সীদ চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিস্কোভাগী মখুৎতা মায়থীহৌখি। মমাঙ চহীদা দব্লিয়ু টি এদা শরুক য়াখিদবী ৱিল্লিয়মসনা চহী অসিদা টাইটল অনী লৌবা ঙমখি। মহাক্না রোমগী মতুংদা ৱিমব্লেদনগী ট্রোফি লৌদুনা প্রোফেসনেল ইরাদা গ্রান্দ স্লাম সিঙ্গলস টাইটল ২২ লৌবা ঙমদুনা ষ্টেফি গ্রাফনা থল্লমখিবা রেকোর্দকা মান্নখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতগী চথবা হৌগদৌরিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলগীদমক এঞ্জেলিগ কার্বর, সাইমোনা হালেপ, অগনিজকা রাদৱানস্কা, কারোলিনা প্লিস্কোভা, গার্বাইন মুগুরুজা, মেদিসন কিজ অমদি দোমিনিকা সিবুলকোভানা মাঙজৌননা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

হান্না ক্বালিফাই ওইখ্রবী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা টুর্নামেন্ট অসিদা মশাগী অশোকপা লৈবদগী শান্নররোইদবনা বৃটেনগী নম্বর ৱান ওইরিবী জোহন্না কোন্টানা নিপানশুবা প্লেয়র ওইনা শরুক য়ারবা য়ানা লৈখ্রে।

## এম এস ধোনিনা ও দি আইগী পুৱারীদা খ্বাইদগী মায় পাকপা কেপ্টেন ওইখ্রে



ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৮ :

মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা অহানবা ও দি আই মেচ মায় পাকখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইনা মেচ ১০৮ মায় পাকপা ঙম্বা ওইখিবগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াগী হান্নগী কেপ্টেন অল্লান বোর্দরনা মেচ ১০৭ মায় পাকখিবগী রেকোর্দ অদু তুংওইনরল্লগা অনৌবা রেকোর্দ থমখিদুনা ৱান দে ইন্টরনেসনেল (ও দি আই) গী পুৱারীদা খ্বাইদগী মায় পাকপা ও দি আইগী কেপ্টেন ওইখ্রে।

ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তা শান্নগদবা ও দি আই মেচ মঙাগী সেরিজদা অহানবা মেচ ওইনা ধর্ম্মসলাদা শান্নখিবা মেচতা ৱিকেট ৬ তা মায় পাকখিবা ধোনিনা অপুনবা মেচ ২৩০ গী মনুংদা মেচ ১৬৫ মায় পাকখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী হান্নগী কেপ্টেন রিক্কি পোন্টিংগী হেক মথংদা অনীশুবদা লৈখি।

মায় পাকখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী ৯০০ শুবা ও দি আই ওইখিবনা হেন্না অখন্নবা অমসু ওইখি। মশাগী চহী ৩৫ শুরবা অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা মেচ ৯৯৫ দা কেপ্টেন ওইদুনা মায় পাকপগী চাং অসি চাদা ৫৯.৭৮ ওইখি। ও দি আইগী পুৱারীদা কেপ্টেন অহুমখক্তনা মেচ ১০০ দগী হেন্না মায় পাকখিবা অদুদা ধোনিসু য়াওরি। হান্নগী কেপ্টেন মোহমদ অঝারুদ্দিননা মেচ ৯০ মায় পাকখ্রে অদুগা সৌরভ গঙ্গুলিনা গেম ৭৬ মায় পাক্তুনা রেকোর্দ থমখি।

কুমজা ২০০৭ তা মেচ তরেৎকী সেরিজ অমা শান্ননবগীদমক ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াদা লাকখিবা অদুদা ধোনিনা রাহুল দ্রাভিদতগী কেপ্টেনগী থৌ পুখি। সেরিজ অদুদা ২-৪ দা মায়থীদুনা ধোনিনা আশা চাউনা তৌদুনা চঙলকখিবা খোঙথাং অদু মায় পাক্লা হৌদোকপা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক ধোনিনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মায় পাল্লবা কেপ্টেনশিংগী মনুংদা অমা ওইরি অমদি তোঙান-তোঙানবা রেকোর্দ কয়াসু থম্বা ঙমখি।

কুমজা ২০০৭ তা পাঙথোকখিবা অহানবা আই সি সি ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ দা ধোনিনা অহানবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইদুনা টাইটল লৌখি। কুমজা ২০১১ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপতা ধোনিনা মায় পাকপগী সিক্স অমা কনখিদুনা ইন্দিয়াবু ওভর ৫০ গী ৱর্ল্ড কপতা অনীরকশুবা ওইনা টাইটল লৌখি। শ্রীলঙ্কাগী মায়োক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ধোনিনা বোল ৭৮ দা রন ৯১ লৌদুনা নোট আউটতা লৈখিদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি। কুমজা ১৯৮৩ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপতা কাপিল দেভগী লিচিং মখাদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ড কপকী টাইটল লৌখি।

কুমজা ২০১৩ দা ইংলেন্দদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি টাইটল লৌদুনা ধোনিনা আই সি সিগী অকক্লবা ওভরগী টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙম্বা অহানবা কেপ্টেন ওইখি অমদি মহাক্কী লিচিং মখাদা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৯ দা টেষ্ট রেঙ্কিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

ধোনিনা অকক্লবা ওভরগী মশান্নদা অহেনবা পুক্লিং চঙবা ঙম্নবগীদমক কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর থাদা টেষ্ট ক্রিকেটতগী পোথাখি। কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড কপ অমসুং কুমজা ২০১৬ ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ দা ইন্দিয়ানা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখি। ধোনিনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী টাইটল অনী অমদি চেন্নাই সুপর কিংসপু লুচিংদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ টি-২০ গী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০০৮ দা আই সি সি ও দি আই প্লেয়র ওফ দ ইয়রগী এৱার্দ অহানবা ওইনা ফংখ্রবা মতুং কুমজা ২০০৯ দা মনা অসি অমুক হন্না ফংদুনা এৱার্দ অসিমক অনীরক লৌবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোয়সু ওইখি।

কুমজা ২০০৭ তা রজিভ গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ অমদি কুমজা ২০০৯ দা পদ্মাশ্রী ফংখ্রবা মমিং লৈরবা ক্রিকেটর অসি ইন্দিয়ন টেরিটোরিএল আর্মিদা লেপটনেন্ট কর্নেলগী ওনরেরি রেঙ্কসু পায়রিবনি।

## সাইনাবু আই ও সি এথলেটস' কম্মিসনগী মেম্বর হাপখ্রে

হায়দর্বাদ, ওক্টোবর ১৮ : ইন্দিয়ন স্পোর্টপার্সন অমবু ঈকাই খুম্নবা ওইনা ষ্টার শট্টলর সাইনা নেহৱালবু ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি'স (আই ও সি) এথলেটস' কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা হাপখ্রে।

হৌখিবা অহিংদা সাইনানা মহাকপু আই ও সি এথলেটস' কম্মিসনগী মেম্বর হাপ্পগী চেরোল অদু আই ও সিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বাচতগী ফংখি।

আই ও সিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বাচকী চেরোল অদুদা হায়, রিও ওলেম্পিক গেমস ২০১৬ চথরিঙৈ মনুংদা নঙনা আই ও সি এথলেটস' কম্মিসনগীদমক মীরেপ ওইখিবা অদুগী মখা তারকপদা নহাকপু খনখিবনি। নহাকপু এথলেটস' কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা হাপখিবদা ঐখোয়দা নুংঙাইবা পোকই হায়খি।

এথলেটস' কম্মিসনগী চেয়রমেন্না এঞ্জেলা রুগিরোনা ওইরি। মহাক্কী মখাদা ভাইস প্রসিদেন্ট ৯ অমসুং অতোপ্পা মেম্বর ১০ অমগা লৈরি। কম্মিসন অসিগী মথংগী মীফমনা লাক্লিবা নভেম্বর ৬ তা পাঙথোক্কনি। সাইনাবু লেমজনিংঙাই ওইরবা পেনেল অসিদা হাপখিবা অসি মহাক্না মখুউগী অশোকপা লৈখিবা অদু ফগৎলকখ্রবা মতুং প্রেক্টিস চথবা হৌরকপদা ফম অসিগীদমক হাপ্লে হায়না খঙহল্লকখিবনি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL, D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL**

**NOTICE (M.A. 1st Semester)**
*Imphal, the 18th Oct., 2016*

**No. 2/1/Adm(PG)/07-DMCA:** Notice is hereby given for information of all concerned that **Prospectus** along with prescribed **Application Form** for taking the Written Entrance Test for selection of Admission to **M.A. 1st Semester 2016-17** (in English and Education) will be available at the college office on payment of **Rs. 400/-** (Rupees four hundred) only from **21st - 29th Oct. 2016** during office hours.

*Sd/-* **M. Ibohal Singh**
Principal
D.M. College of Arts, Imphal

HL-P/10194/19&20

## কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপ :বাংলাদেশনা ওষ্ট্রেলিয়াবু, পোলেন্দনা ইরানবু মায়থীবা পীখ্রে



অহমেদবাদ, ওক্টোবর ১৮ : বাংলাদেশনা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স উৎখিদুনা মফম অসিগী ট্রান্স ষ্টেদিয়াগী এরেনাদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা লীগ টাইদা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৮০-৮ দা মায়থীবা পীদুনা মার্জিন ৱাংনা মায় পাকপগী রেকোর্দ থমখ্রে।

এসিয়াগী টিম অসিনা মেচ অদুদা মশক থোক্লা শান্নখিদুনা রেকোর্দ অহুম থম্বা ঙমখি। রেকোর্দশিং অদুদি মেচ অমদা খ্বাইদগী য়াম্না পোইন্ট লৌবা ঙম্বা, মার্জিন ৱাংনা মায় পাকপা অমদি মেচ অমদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না আউট ওইহনবগী রেকোর্দনি।

বাংলাদেশনা দোমিনেট তৌদুনা শান্নখিবা টাই অদুদা পোইন্ট ৭২ লৌদুনা মায় পাকখিবা অসিনা ৱর্ল্ড কপ অসিগী খ্বাইদগী য়াম্না পোইন্ট লৌদুনা মায় পাকখি। বাংলাদেশকী প্লেয়র অরুদুজামান মুন্সিনা পোইন্ট ১৭ লৌবা ঙমখি অদুগা শাবুজ মিয়ানা টেকল পোইন্ট ৯ লৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা ৱর্ল্ড কপ অসিগী কেম্পেন অদু নিংবা কায়না লোইশিনখি। মখোয়না খ্বাইদগী নেম্বা পোইন্ট ৮ খক্তমক লৌবা ঙমদুনা অশোনবা টিম অমা হায়বদু ওইখি।

বাংলাদেশনা মায় পাকখিবা অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙননবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে। করিগুম্বা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াগা মায়োক্লনা শান্নগদৌরিবা মেচতা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীবা ঙম্লবদি বাংলাদেশনা সেমী ফাইনেল চঙননবগী চাউরবা খুদোংচাবা অমা ফংবা ঙমগনি।

বাংলাদেশনা মেচ হেক হৌখিবগী মিনিট ৩ ফাওবদা পোইন্ট ৬ লৌদুনা ৬-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মথংগী নুমিৎতা অমুক বাংলাদেশনা ৯-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী রাইদরশিংনা পোইন্ট লৌননবগীদমক মায়োক্লখিবা টিমদা তকখৎখ্রবসু বাংলাদেশনা তৌখিবা এটেক্তা মখোয়গী প্লেয়র মুন্সিনা অহানবগী মিনিট ১০ গী মনুংদা রেইদ পোইন্ট ৪ লৌবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা মিনিট ৯ চৎপা মতমদা মখোয়গী প্লেয়রশিংনা টেকল পোইন্ট অমা লৌদুনা ১-১৪ দা লৈখি।

বাংলাদেশনা মখা তানা মিনিট ১০ গী মতুংদা চঙশিনখিবা এটেক্তা পোইন্ট ৩ অমগা লৌবা ঙমখিদুনা ১৬-১ দা লৈখি। মেচকী মিনিট ১৪ ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা পোইন্ট অমফাওবা লৌবা ঙমদনা লৈখ্রবসু বাংলাদেশনা ২১-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা বাংলাদেশকী মায়কৈদা এটেক অমদি দিফেন্স তৌবা ঙমখিদে। অদুবু বাংলাদেশতি লেপ্পা লৈতনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদা চঙশিনখিদুনা পোইন্টশিং লৌদুনা ২৫-১ দা অমুক লৈখি। বাংলাদেশকী জিয়া উর-রহমননা অহানবা হাফ ফাওবদা পোইন্ট ৫ লৌখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা পোইন্ট অদু মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমদা টেক্লিকেল পোইন্টদা লৌখি। অদুবু বাংলাদেশনা অথুবদা মথং-মথং পোইন্টশিং লৌখিদুনা ৩৬-২ দা মাঙজিল থানা লৈখি। অনীশুবা হাফতা বাংলাদেশনা রেইদ পোইন্ট ৪২ অমদি টেকল পোইন্ট ১৮ লৌখিদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৮০-৮ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, পোলেন্দনা টাইটল ফেভোরাইট ইরানবু নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ৪১-২৫ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অমুক্তা ফাওবা মায়থীদনা চঙলকখিবা এসিয়ন জাইন্ট অসিবু মায়থীবগী মহাও তংহনখি।

ইরান্না মায়থীখিবা অসিনা সেমী ফাইনেল চঙননবগী লম্বীদা অহোংবা খরা লৈরবা য়ানা লৈখ্রে। করিগুম্বা গ্রুপ বিগী মেচতা থাইলেন্দ অমদি জপান অনীনা শান্নগদৌরিবা মেচতা থাইলেন্দনা জপানবু মায়থীবা পীখ্রবদি থাইলেন্দনা গ্রুপ অসিগী খ্বাইগী মকোক্তা ইরানগী মহুৎ শিন্দুনা লৈখিদুনা সেমী ফাইনেলদা চঙননবগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

ফীভম অসিদা ইরাননা গ্রুপ এগী টোপর কোরিয়াগা অহানবা সেমী ফাইনেলদা থেংনরবা য়ানা লৈখ্রে। অদুগা অনীশুবা মফমদা লৈরিবা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দগা মায়োক্লদুনা শান্নরবা য়ারি।

## জোকোভিচনা অমুক হন্না টোপ স্পোটতা লৈখ্রে, নদাল অমসুং ফেদররনা এ টি পি রেঙ্কিংগী টোপ ফাইভকী মনুং চনবা ঙমখিদ্রে



ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৮ : সার্বিয়াগী টেনিস প্লেয়র নোভাক জোকোভিচনা এসোসিএসন ওফ টেনিস প্রোফেস্নেল (এ টি পি) না নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা রেঙ্কিং লিষ্টতা অমুক হন্না টোপ স্পোটতা লৈবা ঙমখ্রে।

নোভাক জোকোভিচনা হৌজিক অপুনবা পোইন্ট ১২,৯০০ ফংদুনা লৈরি। চাইনাদা হন্দক্তা লোইশিনখিবা শংহাই মাষ্টর্সকী সেমী ফাইনেলদা স্পেনগী রোবার্টো বৌটিষ্টাগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবদগী জোকোভিচনা পোইন্ট ৬৪০ মাঙজখি। স্কোটিসকী প্লেয়র এন্দি মরেনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা শংহাই মাষ্টর্সকী ফাইনেলদা মায় পাকখিবা অদুদগী পোইন্ট ৬৪০ ফংদুনা অপুনবা পোইন্ট ১০,৪৮৫ ওইখিদুনা অনীশুবা রেঙ্কতা লৈখি।

কনাডাগী মিলোস রাওনিক্লা অপুনবা পোইন্ট ৪,৬৯০ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। অদুগা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা পোইন্ট ৪,৬৫০ ফংদুনা মঙাশুবা মফমদা লৈখি।

স্পেনগী রফেল নদাল অমসুং স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা এ টি পিনা লাউথোকখিবা রেঙ্কিং অদুদা টোপ ফাইভকী মনুং চনবা ঙমদনা লৈখি।

রফেল নদালনা মমাঙদা শান্নখিবা মেচ খরদা মায় পাকপা ঙমদনা লৈহৌখিবনা মহাক্কী অপুনবা পোইন্ট ৪,৩৮০ খক্তমক ফংদুনা তরুকশুবা মফমদা লৈখি। মহাক্কী রেঙ্কিং অসি খ্বাইদগী হাইথনা লৈবসু ওইখি।

স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররসু সিজন অসিদা মশক থোক্লা শান্নবা ঙমখিদবনা মেচ পোইন্টশিং লৌবা ঙমখিদে। মহাক্লা মেচ পোইন্টশিং লৌবা ঙমখিদবা অদুনা পোইন্টদা হাইথরকখিদুনা নেম্না লৈখি।

ফেদররনা হৌজিক অপুনবা পোইন্ট ৩,৭২০ খক্তমক ফংদুনা এ টি পি রেঙ্কিংগী নিপানশুবা মফমদা লৈখি।

ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসনা সিজন অসিদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদুনা পোইন্টশিং লৌবা ঙমখিবদগী রেঙ্কিং অসিদা তরেৎশুবা মফম কনবা ঙমখি। মহাক্লা পোইন্ট ৩,৮১৫ ফংদুনা লৈরি।

চেক রিপব্লিক্কী টোমাস বার্দির্চনা অপুনবা পোইন্ট ৩,৩০০ ফংদুনা এ টি পি রেঙ্কিংগী মাপনশুবা মফম কনবা ঙমখি। অদুগা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা অপুনবা পোইন্ট ৩,২৫০ ফংদুনা তরাশুবা মফমদা লৈবা ঙমখি।

এ টি পি রেঙ্কিংগী অমদগী তরা ফাওবদা লৈরিবা প্লেয়রশিং অদুদি অহানবদা সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচ (পোইন্ট ১২,৯০০), অনীশুবদা স্কোটলেন্দগী এন্দি মরে (পোইন্ট ১০,৪৮৫), অহুমশুবদা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা (পোইন্ট ৫,৮২০), মরিশুবদা কনাডাগী মিলোস রাওনিক (পোইন্ট ৪,৬৯০), মঙাশুবদা জপানগী কৈ নিশিকোরি (পোইন্ট ৪,৬৫০), তরুকশুবদা স্পেনগী রফেল নদাল (পোইন্ট ৪,৩৮০), তরেৎশুবদা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস (পোইন্ট ৩,৮১৫), নিপানশুবদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর (পোইন্ট ৩,৭২০), মাপনশুবদা চেক রিপব্লিক্কী টোমাস বার্দিচ (পোইন্ট ৩,৩০০) অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম (পোইন্ট ৩,২৫০) নি।

**HOUSIE BUMPER DRAW**
IN AID OF
**MANIPUR PEOPLE'S DEVT. ORGN. FUND DRIVE**
Chingamathak, Regd. No. 30/SR/87

TODAY

DATE : 19th October 2016
TIME : 6.00 PM

1st HOUSEFULL - ACTIVA 3G
2nd HOUSEFULL - ACTIVA 3G
3rd HOUSEFULL - ACTIVA 3G
4th HOUSEFULL - ACTIVA 3G
5th HOUSEFULL - ACTIVA 3G
6th HOUSEFULL - ACTIVA 3G
7th HOUSEFULL - ACTIVA 3G
8th HOUSEFULL - ACTIVA 3G
Q5, Star and All Lines - Rs. 3000/-



Ticket Rate Rs: 1000/

MINI BUMPER
TICKET RATE: RS. 300/-
HOUSEFULL: Rs. 80,000/-
Q5, Star & All lines are Rs. 4,000/- each.

MINI BUMPER
TICKET RATE: RS. 100/-
HOUSEFULL: Sana Tula 1

Pung 4 p.m. gi Mamangda paid toubibasingi Flat T.V. na Housefull oiba **Free Mini Ticket** ama hapchagani
***N.B.:*** 10% will be deducted from House Full winners

HL-P/10197/19

VENUE : TERA LOUKHAM LEIRAK COMMUNITY HALL (LLWA)

**HOUSIE BUMPER DRAW**
In aid of fund drive
**ANGELA ARCHERY CENTRE**
Regd. No. 12/01/05846 of 1993

TICKET RATE ₹4,000




1st Mini-Bumper
Ticket Rate: ₹500
HouseFull 2 Lakhs

2nd Mini-Bumper
Ticket Rate: ₹200
HouseFull TV Flat 50 inchs

Before 4:00 p.m.
1 FREE MINI Tula Gold

N.B. তাং ২৯।১০।২০১৬ ইং, থাংজা নুমিৎতা তৌজগদবা Housie Bumper Draw অদু লাকলিবা তাং ২৪।১০।২০১৬ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওইনা সুংশোয়-শোয়দনা শাঙ্গরগনি। মাঙজৌমা Ticket পাইবীখিবা Members শিংনা পুং ৪.০০ গী মমাঙদা Report তৌরনবা খঙহনজরি।

HL-P/10195/19&20

VENUE: KAKWA LAMDAIBUNG Near Kakwa Bazar | TIME: 4:30 P.M. | DATE: 24/10/2016